সী-টু-সী মিসাইল সিষ্টেম চাংয়েং তৌখ্রে

টেলঅবিব, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : অনৌবা সী-টু-সী মিসাইল সিষ্টেম অমা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌরে হায়না ইজরেলি দিফেন্স ফোর্সেস (আই দি এফ)না ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

ইজরেলি নেভিগী মতিক ময়াই লেপ্পুনা হেনগৎহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মিসাইল সিষ্টেম অদু দিজাইন তৌখিবনি হায়না আই দি এফনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

টেররিষ্ট ২ হাৎখ্রে

শ্রিনগর, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : সাউথ কাশ্মিরগী অনন্টনাগ দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা লাস্কর-ঈ-তাইবা (এল ঈ টি)গী টেররিষ্ট অনী হাৎখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। টেররিষ্টশিং লৈরে হায়বগী থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী সিরহামাগী মফম অমা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মী চঙহন্দনা থল্লবা মতুংদা ওপরেসন চথবদগী নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবনি।

সাউথ কোরিয়ন অমা হাৎখিবগীদমক নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উন্না এপোলোজাইজ তৌখ্রে

সিওল, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : নোভেল কোরোনাভাইরস থিংনবগীদমক্তা সাউথ কোরিয়াগী মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবদগীদমক্তা ইরাই নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উন্না এপোলোজাইজ তৌরক্লে হায়না সাউথকী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা ফোঙদোকখ্রে।

এপোলোজি অদু ক্রোস-বোর্দর মরীশিং হেন্দল তৌরিবা নোর্থগী য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনদা থারকপা লেটর অমদা খঙহল্লকখিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না মীওই অদুগী হকচাং অদু নোর্থকী লান্মীশিংনা থাউ হৈজিল্লগা মৈ থাদোকখি। মীহাৎ অদুগী মতাংদা মীয়াম্না অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা কন্না খোইরাং খোইশাওনবা ফোঙদোক্লিঙৈদা নোর্থ কোরিয়াগী লিদরনা প্রসিদেন্ট মুন জে ইনদা নুংনাংবা ফোঙদোকপগী মেসেজ অদু থারকখিবনি। ঐখোয়গী ঈশিংগী শরুক্তা থোকখিবা য়াম্না পামদবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চেয়রমেন কিম জোং উন্না শোয়খিবগী পেন্দবা ৱাফম কয়া প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনদা অমদি সাউথ কোরিয়াগী মীয়ামদা ফোঙদোরক্লে হায়না এদভাইজর সু হুননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

সুনা হায়খি মদুদি থৌদোক অদুগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন অমা পীরক্লবা হায়জখিবদগী নোর্থকী লিদরগী মায়কৈদগী লেটর অদু থারকখিবনি। মদুদা অদুগুম্বা থৌদোক মতুংদা অমুক হন্না থোকহল্লোই হায়বগী থাজবসু পীরকখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা নাকল অনীগী মরক্তা অমগা-অমগা থাজন্নবা হেনগৎহন্নবা হোৎনরিবশিংদা অকায়বা থোকহন্দবা ওইরসনু হায়নসু নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উন্না ফোঙদোরক্লে হায়না সুনা মখা তাখি।

কষ্টদি সেন্টরদা য়ু কেকী পুলিস ওফিসর ১ হাৎখ্রে

লন্দন, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা সাউথ লন্দনগী কষ্টদি সেন্টর অমদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওই অমনা বৃটিশ ওফিসর অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু নোংঙাল্লমদাই পুং ২.১৫ রোম তাবদা মীওই অদুবু ফারবা চিংনবশিংগী প্রোসেস তৌফম ওইরিবা ক্রোইদন কষ্টদি সেন্টরদা থম্নবা হোৎনরিঙৈদা থোকখিবনি। নোংমৈনা পাল্লবা মমিং খঙদ্রিবা ওফিসর অদু থৌদোক থোকফমদা ঙাইহাক লায়কন্নরবা মতুংদা হোস্পিটালদা পুখৎখি। মহাক হোস্পিটালদা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা মীওই অমসু হোস্পিটালদা পুখৎখি। মহাকসু নোংমৈনা পানবদগী অরুবা ফিভমদা লৈখি।

ওফিসরশিংনা মীওই অদুদা নোংমৈনা কাপখিদে। তৌইগুম্বসুং মহাক ওফিসর অদুবু কাপ্পল্লবা মতুংদা মথন্তা অমুক কাপশিঞ্জখিবা মাল্লি হায়না বি বি সীনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মী হাৎপগীদমক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

ক্রোইদনগী মীহাৎ অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না অৱাবা ফোঙদোকখি। লন্দন পুলিসকী চীফ ক্রেসিদা দিদনা থৌদোক অদুবু খ্বাইদগী থম্মোয় শোয়ক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হায়খি মদুদি ইনভেষ্টিগেসন অহৌবগী থাক্তা লৈরি অমসুং পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু করম্না থোক্লকখিবগে হায়বগী মতাংদা খঙনবা হোৎনরি। বৃটেনগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর প্রিটি পাটেলনসু মহাক থৌদোক অদুনা থম্মোয় কায়হল্লে হায়না ফোঙদোকখি। অয়াম্বা পুলিস খুৎলায় পায়দনা লৈনবা বৃটেনদা অসুম্না পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকপসি তাংই হায়রি।

মীওইবদা দি এন এ কোভিদ-১৯ ভেক্সিন চাংয়েং হৌরগনি

সিদনি, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : ওষ্ট্রেলিয়াগী য়ুনিভর্সিটি ওফ সিদনিনা লুচিংবা রিছার্চ টিম অমনা মীওইবদা কোভিদ-১৯গী দি এন এ ভেক্সিন অমা চাংয়েং চথবা হৌরগনি হয়না ইরাই নুমিত্তা য়ুনিভর্সিটি অসিনা লাউথোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ন বাইওটেক কম্পনি টেক্নোভালিয়া অমসুং কম্পনি অসিগী ইন্টরনেসনল ভেক্সিন পার্টনর বাইওটেক্নো পুথোকপা জিনদা বেজ তৌবা ভেক্সিন অদু প্রিক্লিনিকেল ষ্টদিশিংদা সেফ অমসুং ইফেক্তিভ ওই হায়বসি প্রুভ তৌরে হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্নমেন্টকী সপোর্টকা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটিগী ওফ সিদনিগী এসোসিএট প্রোফেসর নিকোলাস ৱুদনা অহানবা ওইনা মীওইবদা চাংয়েং তৌগদৌরিবা ভেক্সিন কেন্দিদেট অদুগী ক্লিনিকেল ইভাল্যুএসনগী থবক লুচিংগনি। ফেজ অমগী চাংয়েং অসি ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকপা দি এন এদা বেজ তৌবা অহানবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন চাংয়েং ওইরগনি হায়না রিছার্চর অসিনা ফোঙদোকখি।

চাংয়েং অদুদা ন্যু সাউথ ৱেলস, সাউথ ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াগী মশাগী চহী ১৮ দগী ৭৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মশা-মঊ ফরিবা মীওই ১৫০না শরুক য়াগনি। মখোয়দা থারিবা ভেক্সিন অদুগী তোঙান তোঙানবা দোজশিংগী সেফটি, রিয়েক্তোজেনিসিটি অমসুং ইম্যুনোজেনিসিটিগী ফিভমশিং য়েংশিনগনি। করিগুম্বা চাংয়েং অদুদা ভেক্সিন অদুনা পার্টিসিপেন্টশিংগী মশাদা করিমত্তা খুদোংথিবা থোকহন্দবা তারবদি হেন্না চাওবা ফেজ অনীগী চাংয়েং চথগনি হায়না ৱুদনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না অতৈ ভেক্সিনশিংগা খেন্নবা লৈবা দি এন এ ভেক্সিন অসিদি য়েৎতুম য়াওদবা সিষ্টেম অমগী খুথাংদা হকচাংদা থাগনি। য়েৎতুম য়াওদবা দিভাইস অমগী খুথাংদা হকচাংদা থাগদৌরিবা ভেক্সিন অসি জেদ স্প্রে অমগী পাম্বৈনা উনশাদা ফাওজিনহনগনি। মসি দি এন এ ভেক্সিন অসিবু সেলশিংগী মনুংদা য়ৌহন্দুনা ইম্যুন সিষ্টেম্না নীংথিনা লৌশিনহন্নবা মওংদা দিজাইন তৌবনি হায়না ৱুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱারী শান্নবা হৌখিবদগী অফঘান মীচম ১৯ শিখ্রে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : কটরগী কেপিটেল দোহাদা সেপ্তেম্বর ১২ দা পীছ টোক চথবা হৌখিবদগী অহানবা চয়োল মনুংদা মীচম ১৯ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ৪৫ না অশোক-অপন নংখি হায়না অফঘান ইন্দিপেন্দেন্ট হ্যুমেন রাইটস কন্মিসন (এ আই ঐচ আর সী)না ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা কন্মিসন্না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি দোহাদা কাবুল গভর্নমেন্ট অমসুং টালিবানগী মীহুৎশিংগী মরক্তা পীছ টোক চথরিঙৈ মনুংদা মীচমশিংদা মীশি-মীনা থোকহনবা হায়বসি ঐখোয়না য়াফম থোক্তে। সেপ্তেম্বর ১২ দগী হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং লৈবাক অদুগী প্রোভিন্স ২৪ দা শন্দোকখ্রে হায়না অফঘান সিক্যুরিটি সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

মীশি-মীনা থোকহনবা থৌদোকশিং লেপ্পুনা হেনগৎলক্লি। থৌদোকশিং অদুগী শাথিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি অচুম্বা অমত্তা নত্তে হায়না ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ অফঘানিষ্টান রিপ্রজেন্ট তৌরিবা পীছ নিগোসিএটিং টিমগী মেম্বর রাসৌল তালিবনা ফোঙদোকখি।

অফঘান সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংগী মতুং ইন্না নুমিৎ খুদিংগী চাংচৎ অমদা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩০ শিরি। বাইওলেন্স হেনগৎলকপা অসিনা মীয়াম্বু চাওনা নুংনাংহল্লে। থৌওং অসিবু ঐখোয়নসু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা দোহাদা ৱারী শান্নরিবা অসিনা অফঘানিষ্টানদা সীজফায়র অমা শোয়দনা লাকহল্লসনু হায়না হায় কাউন্সিল ফোর নেসনল রিকোন্সিলিয়েসনগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা ফরাইদোন খাওজোন্না ফোঙদোকখি।

সেপ্তেম্বর ২২ দা মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়র এফ্যেরসনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চয়োল অনীগী মনুংদা প্রোভিন্স ২৪ দা টালিবান্না চথখিবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবা মীচম ৯৮ শিখি অমসুং অতৈ ২৩০ না অশোক-অপন নংখি। তৌইগুম্বসুং টালিবান্না গভর্নমেন্টকী ৱাফম অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হায়রি মদুদি গভর্নমেন্টনা প্রোভিন্স ৯ দা ওপরেসন চথবদগী কনিফ্লিক হেনগৎলকপনি।

মিলিটরি লিদরসিপকা উন্নবদা অথিংবা থমখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : পাকিস্তানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা হৌজিক্তগী মহাক্কী পি এম এল-এন পার্টিগী মীওইশিংনা লৈবাক অদুগী মিলিটরি লুচিংবশিংগা লন্নাই ওইনা উন্দুনা ৱারী শানবা নৎত্রগা দেলিগেসনগী থাক্তা মীফম চথবনচিংবদা অথিংবা লৈরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা ত্বিটর পোষ্ট অমদা পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ সুপ্রিমো অসিনা হায়খি মদুদি করিগুম্বা নেসনল সিক্যুরিটি নৎত্রগা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা তঙাইফদবা লাক্লবদি তুংদা অসিগুম্বা মীফমশিং পাঙথোকপা মতমদা পার্টিগী লুচিংবগী অয়াবা য়াওগদবনি অমসুং মদু মীয়াম খঙনা পাঙথোক্কদবনি।

হান্নগী পি এম এল-এনগী লিদর অমসুং সীন্দগী গভর্নর মোহমদ জুবাইয়রনা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা চীফ ওফ দ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল কমল জভেদ বজাৱাগা অনীরক উন্নদুনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিগা লোয়ননা মহাক্কী মচানুপী মরিয়ন নৱাজগী লিগেল ইশ্যুশিং অমদি পোলিটিকেল ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়না পাকিষ্টান আর্মিনা ফোঙদোরকখিবা মতুংদা সরিফনা ত্বিটর পোষ্ট অসি থাগৎলকখিবনি।

সীফুদ প্লান্ট অমগী ৱর্কর ৭৭ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : য়ু এসকী ওরেগোন ষ্টেটদা লৈবা সীফুদ প্লান্ট অমগী ৱর্কর ৭৭ নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরক্লে।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইনফেক্টেদ ৱর্করশিং অদু ওরেগোনগী ক্লাটসোপ কাউন্টিদা লৈবা পেসিফিক সীফুদ প্লান্টতা থবক তৌবশিংনি। চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা প্রাইভেট লেবোরেটরি অমনা প্লান্ট অদুগী নাইটসিফ ৱর্কর ১৫৯গী নুক্লিক এসিদ টেষ্টশিং পাঙথোকখিবদা মীওই ৭৭ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি হায়না কাউন্টি অদুগী পব্লিক হেল্থ দিপার্টমেন্টনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

ওরেগোন হেল্থ ওথোরিটিনা কোরোনাভাইরস পল্লবা মীওইশিং ক্বারন্টিন তৌনবা শীন-লাংবগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট ট্রেসিংগী থবকসু কন্না চথখি। এজেন্সি অসিনা প্লান্ট অদুগী অয়ুক-নুংথিল মতমদা থবক শুবা মীওইশিংসু টেষ্ট তৌরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

পোজিটিভ কেসশিং অদুগী মনুংদা অমত্তা হোস্পিটালাইজ তৌবা লৈত্রি। ৱারেন্টনদা লৈবা পেসিফিক সীফুদতা হৌখিবা মেদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন খরা উখি। ইমপ্লোয়ী ১১ অমসুং মখোয়গা নকশিন্নবা কন্টেক মরি মতমদুদা পোজিটিভ ওইখিবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা ওরেগোন ষ্টেটতা কোভিদ-১৯গী কনফার্ম কেস ৩৮২ ইনৌ নৌনা রিপোর্ট তৌদুনা হৌখিবা জুলাইগী ময়াইথংবা শরুক্তগী খ্বাইদগী য়াম্বা নোংমদা থেংনবা কেস মশিং ওইখি। অনৌবা কেসশিং অসি থারগা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৩১,৮৬৫ য়ৌরে। পান্দেমিক অসিনা ইনৌ নৌনা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা য়ু এসকী ষ্টেট অসিদা শিখিবা মী মশিং ৫৩৯ শুখ্রে।

একাদেমিক ৭৬ ফাজিন্নবা খঙহনখ্রে

অঙ্কারা, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : কুমজা ২০১৬গী মায় পাকখিদ্রবা কু এটেম্পদা চেন্নে হায়না থাজনরিবা নেটৱার্ক অমগা মরী লৈনবগী মরালশিংদা টর্কিস প্রোসিক্যুটরশিংনা ইরাই নুমিত্তা য়ামদ্রবা একাদেমিক ৭৬ ফাশিন্নবা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট মিদিয়া পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, চীফ পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী ইষ্টানবুলদা লৈবা ওফিসনা পীরকপা ওর্দরগী মতুং ইন্না পুলিসনা টর্কিগী প্রোভিন্স ২৬ তা সস্পেক্সশিং অদু ফাননবা মতম অমত্তদা ওপরেসন চথবা হৌখ্রে।

টার্গেট তৌরিবশিংদুগী মনুংদা য়ুনভর্সিটিশিংদা এক্তিভ দ্যুটি তৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ পর্সনেলশিংসু য়াওই। এনাদুলু ন্যুজগী মতুং ইন্না সস্পেক্ট ৭৬ মক য়ু এসতা বেজ তৌবা টর্কিস ক্লারিক ফেতুহলাহ গুলেন্না লুচিংবা নেটৱার্ককা মরী লৈনৈ হায়না মরাল শীরবশিংনি। হৌখিবা ওগষ্ট থা হৌরকপদগী টর্কিস প্রোসিক্যুটরশিংনা এক্তিভ দ্যুটিদা লৈরিবা লান্মীশিং য়াওনা সস্পেক্ট ৫০০ হেন্না ফাজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে। মীওই ২৫০ গী পুন্সি লোমখিবা কুমজা ২০১৬গী জুলাইদা পাঙথোকখিবা কু এটেপ অদু গুলেন অমসুং মহাক্কী নেটৱার্কনা মাষ্টর মাইন্দ তৌবনি হায়না গভর্নমেন্টনা মরাল শীরি।

লদাখকী পার্টিশিংনা বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিলগা মান্নবা পাৱরশিং দিমান্দ তৌখ্রে

লেহ, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল (বি টি সী)গী মওংগী পাৱরশিং দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন টেরিটরি লদাখকী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লদাখ ওটোনোমস হীল দিভলপমেন্ট কাউন্সিল (এল এ ঐচ দি সী) লেহগী মীখল বোইকোট তৌন্নবা মোৎ অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখ্রে।

সেপ্তেম্বর ২৩ য়ুমশকৈশা নুমিৎ থংন-থংননা হুম্নি চনবা নুমিৎ অসিদসু কেন্দিদেট অমত্তা মেম্বর ৩০ গী এল এ ঐচ দি সী লেহগী মীখলগীদমক্তা নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌখিদবগা লোয়ননা মরু ওইবা পোলিটিকেল লিদর অহুমগী ওইবা রিপ্রজেন্টেটিভ দেলিগেসন অমনা এল জি রাধাকৃষ্ণ মাথুরগা উনখি।

দেলিগেসন অদুদা য়াওরিবশিংদি বি জে পিগী হান্নগী লোক সভা মেম্বর থুপষ্টান চেৱাং, নেসনল কনফরেন্সকী হান্নগী রাজ্য মেম্বর কুসোপ থিক্সে অমসুং জে এন্দ কেগী হান্নগী পি দি পি-বি জে পি গভর্নমেন্টকী মিনিষ্টর সেরিংদোজে মীওই অহুম অসিনা মখোয় বি জে পি অমসুং এন সীদগী রিজাইন তৌরগা পার্টি অমত্তদা য়াওদবা লদাখকী সিনিয়র পোলিটিসিয়নশিংনি। মীফম অদুদা এল জিগী এদভাইজর অমসুং চীফ সেক্রেটরি উমাম নারুলা অমসুং আই জি পি সটিস খান্দরেসু শরুক য়াখি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী তরুকশুবা সেদ্যুলগী মখাদা বি টি সীগী মওংদা সেন্টরনা পাৱর শীন্নরক্ত্রিমখৈ পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা এল এ ঐচ দি সীগী লেহগী মীখলদা শরুক য়ারোই হায়না পোলিটিসিয়নশিং অসিনা য়ুনিয়ন টেরিটরি অসিগী এল জিদা ময়েক শেংনা খঙহনখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়না এল জিদা মেমোরেন্দম অমা অমসুং মহাক্কী খুথাংদা য়ুনিয়ন টেরিটরি লদাখকী মীয়ামগী মহুৎশিন্দুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা লেটর অমসু পীখ্রে হায়না চেৱাংনা ফোঙদোকখি।

সী পি আই-এমগী লিদর হাৎখিবগা মরী লৈননা টি এম সীগী লিদর এন আই এগী স্পেসল কোর্টতা কাখ্রে

কোলকাতা, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : সী পি আই-এমগী লিদর প্রবির মহাতোবু হাৎখিবা অমসুং কুমজা ২০০৯ দা ভুবনেশ্বর-ন্যু দিল্লি রাজধানি এক্সপ্রেসপু ফাজিন্দুনা থমখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তা ট্রিনামুল কোংগ্রেস ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সেক্রেটরি অমসুং এক্স-মাওইষ্ট সিম্পেথাইজর চত্রাধার মহাতো অমদি অতৈ মীওই ২৬ স্পেসল নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)গী কোর্ট কাখ্রে।

রাজধানি এক্সপ্রেস অদু পুলিসকীকা হেনবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা ইরাং তৌবদগী জেলদা থল্লিবা লালঘারহ পিপলস কন্মিটিগী লিদর চত্রধার মহাতোবু থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা কুমজা ২০০৯ গী সেপ্তেম্বর ২৬ তা ঝার্গ্রামদা লৈবা বান্সতালাা ষ্টেসনদা দিটেন তৌখি।

এন আই এনা মহাতো অমসুং অতৈ মীওইশিং অদু ওগষ্ট ২৮ অমসুং ২৯ দা ইন্টেরোগেসন চত্থনবগীদমক ৱেষ্ট মিনাপুর দিষ্ট্রিক্টকী সালবোনিদা লৈবা কোব্রা কেম্পতা কৌখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না ট্রিনামুল লুচিংবা অসিদগী পেন্নিংঙাই ওইবা পাউখুম ফংখিদে। পোলিটিকেল খোঙথাং অমদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মাওইষ্টশিংগা মরী লৈনবগীদমক্তা কুমজা ২০০৯ দা জেলদা থমখিবা মতুং চহী ১০ লৈরগা থাদোকখিবা চত্রাধার মহাতোবু টি এম সীগী সেক্রেটরিগী ফম পায়হনখিবনি।

ক্রায়োজেনিক ইঞ্জিন উৎখ্রে

চেন্নাই, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী রোকেট সাইন্টিষ্ট সটিস ধৱনগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তা স্পেস রোকেট ষ্টাটঅপ স্কাইরুট এরোস্পেসনা ক্রায়োজেনিক ইনজিন ধৱন-১ মায়খুম হাংখ্রে হায়না কম্পনিগী টোপ ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। সটিস ধৱন্না ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্চ ওর্গনাইজেসন (ইস্রো)গী অহুমশুবা চেয়রমেননি। শ্রীহরিকোতাদা লৈবা ইস্রোগী রোকেট লোঞ্চ সেন্টর মহাক্কী মমিং লৌদুনা সটিস ধৱন স্পেস সেন্টর (এস দি এস সী) হায়না থোনখ্রবনি। স্কাইরুটকী মতুং ইন্না ক্রায়োজেনিক ইঞ্জিন অসিনা বিক্রম ২ রোকেটকী পৱার পীগনি।

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯏꯟꯁ꯭ꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯇꯦꯛꯅꯣꯂꯣꯖꯤ
मणिपुर इंस्टिट्यूट ऑफ टेक्नोलॉजी
MANIPUR INSTITUTE OF TECHNOLOGY
(A Constituent College of Manipur University)
TAKYELPAT, IMPHAL – 795 004 : MANIPUR

TENDER NOTICE
Dated: 23rd September, 2020

No. 3/33/2014-MIT): 2157 Manipur Institute of Technology invites seal tender from GST registered Printing Firms/Publishers for Printing of MIT PROFILE (Mazagine). Terms and Conditions with detail information for submitting the bids can be downloaded from the Institute website www.mitimphal.in.

Sd/- **Prof. N. Basanta Singh**
Principal i/c
Manipur Institute of Technology
Takyelpat, Imphal

HL-B/6397/24,25,26

ꯃꯥꯡꯈꯤ/ MARK SHEET LOST

I have lost my orginal Mark Sheet of Class X, 2014 bearing Roll No. 10093 issued by BOSEM On the way between Kakching and Sugnu on 21st September 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Yaibeelen Mangang
Chajing Khunou, Sugnu

HL-P/7609/26

ꯃꯥꯡꯈꯤ/ REGISTRATION CARD LOST

I have lost my orginal Registration Card of Class XI Examination 2020 bearing Registration No. 29589 issued by the council of Higher Secondary Education Manipur on the way in between my residence to Wangoi Higher Secondary School on 08/09/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Kamei Gaithoi Kabui
Wangoi Kabui Khul

HL-P/7603/25

ꯚꯥꯔꯇꯤꯌ ꯖꯅꯇꯥ ꯄꯥꯔꯇꯤ
BHARTIYA JANATA PARTY
"থাগৎপা ফোঙদোকচবা"

চহী ১৫ গী মতুংদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রদা Minister অমা ফংহনবীরে। BJP না লুচিংবা Government অসিনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রদগী শ্রী ওইনাম লুখোই সিংহবু Minister অমা ওইনা হাপ্পীরকপগীদমক ঈকায়খুম্নজরবা Prime Minister শ্রী নরেন্দ্র মোদিজি অমদি Chief Minister N. Biren Singh বু তৌবীমল খঙবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

Sd/- L. Tomba Singh
President, BJP, Wangoi Mandal

HL-P/7612/26

"থাগৎপা ফোঙদোকচরি"

হৌখিবা তাং ২৪/০৯/২০২০ শগোলশেন নুমীৎ BJP না লুচিংবা Govt. অসিনা Central Leader Shree Narendra Modijee গা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা চহী ১৫ হেন্না Minister লৈরক্তবা মতুংদা Wangoi Kendra গী ইহুল খঙনা Shree Oinam Lukhoi Singh বু Minister পীবীরকপা অসিদা Wangoi Kendra গী প্রজা ঐখোয়না BJP Central Leader Shree Narendra Modijee অমদি Manipur গী Chief MInister Shree N. Biren Singh বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Md. Mahmud Khan
Secretary
Booth Level Committee Paobitek-22/25

HL-P/7612/26

Join our team !
EMOINU KEITHEL
(a Super Market Chain)

needed to build our Bench.
We have an exciting opportunity to hire the below executives at entry level position with retail management experience to build our bench strength (Fresher also can apply)

1. Marketing cum Retail Associates (3)
2. Grade IV(1)

What you need to possess :
Hard working & honesty
Must possess 10th standard
Have a 2 wheeler vehicle with vaild license
Be at least 18 years old and not exceed 25 years
Excellent customer service to achieve optimal performance

Compensation :
Salary, Festival advance, EPF
Service Loan name a few and lots more.

Application at :
SHUDDHI, 1st Floor
Foot Over Birdge Makhong
BT Road, Imphal # 8837097561

HL-P/7614/26